

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা বুর্নলেগী মায়োক্তা ফাওল তৌরুবগীদমক লীগ অদুগী মেটচ ৩ শান্নবদা অথিংবা থমখ্রবা ৱাটফোর্দ ক্লবকী মার্ভিন জিগেলার*

*ইন্দিয়ান সুপর লীগগী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা এটলেটিকো দি কোলকতানা নৌনা টিম অদুদা লৌশিনখ্রবা মমাঙদা ইংলেন্দগী ক্লব ন্যু কাস্টলগী দিফেন্দর ওইরম্বা রাইন টেল্লর*

## রুশিয়াগী ওলিম্পিক কমিতিনা লৈবাক অদুগী শান্নরোইশিং ন্যুত্রেল ওইনা শরুক য়াবগী অয়াবা পীখ্রে

*মোস্কো, দিসেম্বর ১২ঃ*

ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতি (আইওসি) গী মীৎয়েং মখাদা লৈরিবা মালেমগী শান্নরোইশিংনা মখোয়–মখোয়গী মশান্নদা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎনবগীদমক কমিতি অসিগী চৎন–পথাপকী ৱাংমদা লৈরিবা দ্রগ শিজিন্নবগী ৱারেপ লৈখিবা অদুনা মরম ওইদুনা রুশিয়াগী এঠলিটশিংগী চয়েৎনবা লৈরম্বা অদু লৈবাক অদুগী ওলিম্পিক কমিতিনা লৈবাক অদুগী এঠলিটশিং ন্যুত্রেল ওইবা টিম অমগী মখাদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা অদু লৈবাক অদুগী ওলিম্পিক কমিতিনা পীখ্রে।



রুশিয়াগী ওলিম্পিক কমিতিনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱারোলদা মথংগী চহীদা সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি পিয়োংচাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০১৮ ৱিন্টর ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াগদৌরিবা লৈবাক অদুগী শান্নরোইশিং ন্যুত্রেল ওইবা ফিরাল অমগী মখাদা কম্পিটিসন য়াওবা য়াগনি হায়বগী অয়াবা পীখি।

রুশিয়ান ওলিম্পিক কমিতিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা আলেকজেন্দর ঝুকোভনা ফোঙদোকখিবদা সাউথ কোরিয়াগী ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদুদা রুশিয়াগী ফিরালগী মখাদা লৈবাক অদুগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা ঙমদ্রবসু শান্নরোইশিং অদুনা ন্যুত্রেল ওইবা ফিরালগী মখাদা শরুক য়াগদৌরি।

মহাক্না মখা তারদুনা রুশিয়াদা লৈরিবা এঠলিটশিংনা দ্রগ শিজিন্নবগী হৌজিক লৈরিবা মালেমগী ফিভমদা তশেং–তশেংনা শান্নরোই অদুনা দ্রগ শিজিন্নরমদ্রবসু ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা রুশিয়াগী শান্নরোই পূম্নমক দ্রগ শিজিন্নরমগনি হায়বগী ৱাফমদা মমাঙদা অথিংবা থমখিবনি।

অথিংবা অদু শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী অমদি অতোপ্পা লৈবাক কয়াগী শান্নরোইশিংগী লুপকী মতেংগা লোয়নন্না মরাল লৈরবা শান্নরোই অদুখক্তমক অথিংবা থল্লগা তশেংনা শান্নবগী লমদা খোঙদারক্লিবা শান্নরোইশিং অদুবু কোমথোকপীনবা থাগৎলকপা ৱারোল অদুগী মখা তারকপদা সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা কুমজা ২০১৮ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক্সতা রুশিয়াগী এঠলিটশিং ন্যুত্রেল ওইবা ফিরাল অমগী মখাদা শরুক য়াবা য়ারগনি হায়না রুশিয়ান ওলিম্পিক কমিতিনা অয়াবা পীরকখিবনি।

কুমজা ২০১৮ কী ফেব্রুৱারী ৯ দগী ২৫ ফাওবা সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদুগী মাঙওইননা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা হৌখিবা চয়োলদা রুশিয়াগী এঠলিট পূম্নমক শরুক য়াবা য়ারোই হায়না খঙহনবা লৈখ্রবনি।

রুশিয়ান ওলিম্পিক কমিতিগী প্রসিদেন্ট আলেকজেন্দর ঝুকোভনা ফোঙদোরকপদা লৈবাক অদুগী শান্নরোইশিং মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টশিংদা অথিংবা কয়া লৈখ্রবসু মরাল লৈবা শান্নরোইশিং অদু খনে দাকপগী থবক চথখ্রবা মতুং মশাগী ওইনা অশেংবা শান্নরোই অমগী তঙাইফদবা মচাকশিং অদু য়াওরবা মীওইশিং শান্নবগী লমদা চঙশিল্লকপা অদু থিংবা ঙমদে। মসিনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা অথিংবা থল্লিবা মফমশিং অদু খঙদোক্লবা মতুং কুমজা ২০১৮ তা সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসতা রুশিয়াগী মেডল ফংবা য়াবা নহা ওইরিবা এঠলিটশিং অদু তোঙানবা ন্যুত্রেল ওইবা ফিরালগী মখাদা শরুক য়াবা য়ানবগী অয়াবা অদু পীবনি হায়না ঝুকোভনা মখা তাখি।

## টি–২০ টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা সেঞ্চুরি ২০ লৌবা ঙমখিবা খৃস গেলনা রাংপুর রাইদর্সপু বিপিএলগী চেম্পিয়ন ওইহনখ্রে

*ধাকা, দিসেম্বর ১২ঃ*

বাংলাদেশকী টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ওইরিবা বাংলাদেশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা রাংপুর রাইদর্সকী মায়কৈদা শরুক য়াখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজ মচা খৃস গেলনা টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী পুৱারীদা অহানবা বেটসমেন অমা ওইনা সেঞ্চুরি ২০ লৌবা ঙমদুনা ধাকা দাইনামাইসপু রন ৫৭ তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।




বাংলাদেশ প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস ধাকা দাইনামাইটসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা রাংপুর রাইদর্সকী মায়কৈদগী জোনসন চালস অমসুং খৃস গেলনা শান্নখি।

জোনসন চালস ইন্নিংসকী ঙল্লিঙৈ অনীশুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা রন ৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ চঙলকখিবা ন্যু জিলেন্দগী মমিং লৈরবা বেটসমেন ব্রেন্দন মেকলম অমসুং অতোপ্পা ওপনর ৱেষ্ট ইন্দিজগী খৃস গেলনা রাংপুর রাইদর্সকী মখা তাবা ইন্নিংস অদু য়াম্না ফজবা মওংদা পুখৎলকখি।

মখোয় অনীনা রাংপুর রাইদর্সকী মখা তাহৌবা ওভর ১৮ অদুদা আওট ওইদনা টিম অদুগী স্কোর অদু ওভর ২০ দা রন ২০৬ লৌদুনা য়াম্না অচৌবা স্কোর অমা মায়োক্লবা টিম ধাকা দাইনামাইটসতা থমখি।

রাংপুর রাইদর্সকী ওপনর ৱেষ্ট ইন্দিজ মচা খৃস গেলনা বোল ৬৯ মায়োক্লবদা সিক্স ১৮ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১৪৬ লৌখি। খৃস গেলনা ঙসি রন ১৪৬ লৌখিবা অদুনা মালেমগী টি–২০ ক্রিকেট পুৱারীদা সেঞ্চুরি ২০ লৌবা ঙম্বা অহানবা বেটসমেন অদু ওইখি।

খৃস গেলগী ইন্নিংস অদু মতিক চানা মতেং পীখিবা রাংপুর রাইদর্সকী বেটসমেন ন্যু জিলেন্দ মচা ব্রেন্দন মেকলমনা বোল ৪৩ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫১ লৌদুনা আওট ওইদনা লৈখি।

খৃস গেল অমসুং ব্রেন্দন মেকলমগী অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুনা রাংপুর রাইদর্সকী রন ২০১ হাপচিল্লগা ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা পুন্না রন ২০৬ থমদুনা মায়োক্লবা টিম ধাকা দাইনামাইটসকী মায়কৈদা মায় পাক্লবা রন ২০৭ কী টার্গেট থমখি।

ধাকা দাইনামাইটসকী মায়কৈদগী বাংলাদেশ প্রিমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা রাংপুর রাইদর্সনা থল্লম্বা মায় পাকপগী রন ২০৭ অদু ফংনবগীদমক মেহদি মরুফ অমসুং ইভিন লিৱিস শান্নবা চঙলকখি।

মরুফ বোল ৩ মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা জো দেনলি বোল ৫ মায়োক্লবদা রন অমত্তা হাপচিনবা ঙমদনা আওট ওইখি।

ধাকা দাইনামাইটসকী ইন্নিংস অদু মখা তানা কেপ্টেন সাকিব অল হাসন অমসুং ইভিন লিৱিসনা পুখৎরকপদা রন ১৮ হাপচিল্লগা টিম অদুগী অপুনবা স্কোর ১৯ য়ৌরকপদা লিৱিস রন ১৫ দা আওট ওইখি। লিৱিসনা মহাক্কী অতেনবা ইন্নিংস অদুদা বোল ৯ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈরমখি।

লিৱিসকী মহুৎ শিল্লকখিবা ধাকা দাইনামাইটসকী কৈরোল পোলার্দ অমসুং কেপ্টেন সাকিব অল হাসননা টিম অদুগী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকপদা পোলার্দ রন ৫ দা আওট ওইখি।

পোলার্দকী মহুৎ ধাকা দাইনামাইটসকী ৱিকেট কিপর জাহুরুল ইসলামনা মহুৎ শিল্লকখি। মহাক্কা কেপ্টেন সাকিব অল হাসননা ইন্নিংস অদু হান্না লৈরম্বা রন ২৯ গী মখা তানা ৪২ হাপচিল্লগা অপুনবা স্কোর অদু ৭১ য়ৌরকপদা কেপ্টেন সাকিব অল হাসন রন ২৬ তা আওট ওইখি। মহাক্না বোল ১৬ মায়োক্লবদা সিক্স ১ গা লোয়ননা ফোর ৩ য়ৈরমখি।

ধাকা দাইনামাইটসকী ৭শুবা বেটসমেন মোসাদেক হোসেন চঙলক্তুনা টিম অদুগী ইন্নিংস মখা তারকপদা শুপ্নগী বোল ৪ মায়োক্লবদা রন অমখক লৌরম্লগা আওট ওইখি।

মহাক্কী মতুং সাহিদ আফ্রিদি শান্নবা চঙলকখি। মহাকসু বোল ৫ মায়োক্লবদা সিক্স ১ য়ৈরম্লগা অপুনবা রন ৮ দা আওট ওইরগা ধাকা দাইনামাইটসকী স্কোর ৱিকেট ৭ তুবদা ৮৭ তা লৈখি।

টিম অদুগী শান্নরোই সুনিল নরেন শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা ৱিকেট কিপর জাহুরুল ইসলামনা টিম অদুগী স্কোর ১২৯ য়ৌহল্লকখি।

সুনিল নরেনগী মতুংদা অবু হাইদর শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা ইসলামনা মখা তানা রন লৌনবা হোৎনবদা স্কোর বোর্দতা রন ৩ হাপচিনবদা ঙাইরিঙৈ মশাগী রন ৫০ য়ৌবা ঙমখ্রবা জাহুরুল ইসলাম আওট ওইখি।

১১শুবা বেটসমেন খালিদ অহমদ শান্নবা চঙলকখিবা অদু মখা তানা লেমহৌবা ইন্নিংসকী ওভর অদুদা মায় পাকপগী খুদোংচাবা লৈত্রবসু অবু হাইদর রোনিগা লোয়ননা ওভর ২০ লোইশিনবা ফাওবা শান্নবা ঙম্লগা ধাকা দাইনামাইটসকী ৱিকেট ৯ তুবদা রন ১৪৯ দা লোইশিনদুনা মেটচ অদু রাংপুর রাইদর্সনা রন ৫৭ তা মায়থিবা পীদুনা বাংলাদেস প্রেমিয়র লীগকী চেম্পিয়ন ওইখি।

## বিসিসিআইনা টুফান ঘোসপু নেসনেল ক্রিকেট একাদেমীগী সিওও গী ফম পীখ্রে

*চেন্নাই, দিসেম্বর ১২ঃ*

মালেমগী ক্রিকেট বোর্দশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা বোর্দ অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) না বেঙ্গারুলুদা লৈবা নেসনেল ক্রিকেট একাদেমীগী চিফ ওপরেটিং ওফিসারগী ফমগীদমক টুফান ঘোসপু খনখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা এরোস্পেস পার্ক রিজনগা থংননা লৈরিবা এরেবিনামঙ্গলা খুঙ্গংগী এক্কর ৪০ গী লম লৌশিন্দুনা মফম অদুদা অনৌবা নেসনেল ক্রিকেট একাদেমী অমা শেমগৎনবগী পান্দম থল্লি।

বিসিসিআইগী খোঙথাং অদুদা চীফ ওপরেটিং ওফিসারগী থৌদাং নৌনা লৌরিবা টুফান ঘোসনা মফম অদুদা নৌনা শেমগৎক্কদৌরিবা নেসনেল ক্রিকেট একাদেমীগী মঙলান অদু মঙফাওনবগীদমক মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরি।


পনবা য়াই কুমজা ২০০৫ দা নৌনা বিসিসিআইগী সিওও ওইখ্রবা টুফান ঘোস কলম্বিয়া–এসিয়াগী চীফ একজিক্যুটিভ ওফিসার ওইনা থৌ পুরম্বনি।

## য়ুএসএগী ফাবিয়ানো করোনানা ইংলেন্দগী মাইকেল অদামস মায়থিবা পীরগা লন্দন চেছ ক্লাসিককী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

*লন্দন, দিসেম্বর ১২ঃ*

মালেমগী চেছ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লন্দন চেছ ক্লাসিক টুর্নামেন্টকী টাইটল য়ুএসএগী ফাবিয়ানো করোনানা অরোইবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী মাইকেল অদামসপু মায়থিবা পীদুনা লৌবা ঙমখ্রে।

মালেমগী মকোক থোংবা চেছ শান্নরোই ১০ শরুক য়ারগা লম্বা তৌনরকপা লন্দন চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা অমদি ৯শুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী শান্নরোই ফাবিয়ানো করোনানা ইংলেন্দগী শান্নরোই মাইকেল অদামসপু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।




*লন্দন চেছ ক্লাসিক্কী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা য়ুএসএগী গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো করোনা (য়েৎ)*

লন্দন চেছ ক্লাসিক টুর্নামেন্ট অদুগী অরোইবা রাউন্দদা রুশিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা ফ্রান্সকী শান্নরোই ভাসিয়র লাগ্রেভকা দ্রো চত্তুনা ফাবিয়ানো করোনাগা পোইন্ট ৬ /৬ ফংদুনা মান্নখিবদগী চেম্পিয়ন মশক খঙনবগীদমক প্লে ওফকী তাঞ্জা অমা লাকখি।

লন্দন চেছ ক্লাসিক টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন মশক খঙননবা য়ুএসএগী গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো করোনানা অমসুং রুশিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা পোইন্ট মান্নরগা লম্বা তৌনখিবা প্লে ওফকী অহানবা রেপিদ গেম অনী দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং শান্নখিবা অহানবা ব্লিটজ গেম দ্রো চৎখি।

অদুবু অনীশুবা ব্লিটজ গেমদা য়ুএসএগী ফাবিয়ানো করোনানা রুশিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচিবু মুভ ৬৬ তা মায়থিবা পীদুনা লন্দন চেছ ক্লাসিক্কী চেম্পিয়ন অদু ওইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দ লন্দন চেছ ক্লাসিক অসিগী অরোইবা রাউন্দদা য়ুএসএগী গ্রান্দ মাষ্টর ৱেসলি সোগী মখুত্তা মায়থিদুনা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখি।

মালেমগী চেছ শান্নরোইশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা লন্দন চেছ ক্লাসিক্কী টুর্নামেন্ট অসিনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা পরিংদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা য়ুএসএগী ফাবিয়ানো করোনা পুন্না সিজন অসিগী লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২৪ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

গ্রান্দ চেছ টুরগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ৱার্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল ফংবা ঙল্লিবা নোরৱেগী গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসননা পুন্না পোইন্ট ৪১ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

পোইন্ট ৩৮ ফংলগা ফ্রান্সকী গ্রান্দ মাষ্টর ভেসিয়র লাগ্রেভ অনীশুবদা লৈরি। অহুমশুবা পোজিসনদা পোইন্ট ২৯ ফংলগা অর্মেনিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর লেভোন আরোনিয়ান লৈরি। মরিশুবদা য়ুএসএগী গ্রান্দ মাষ্টর হিকারু নকামুরনা পোইন্ট ২৫ ফংলগা লৈরি।

লন্দন চেছ ক্লাসিক টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা য়ুএসএগী গ্রান্দ মাষ্টর ফাবিয়ানো করোনা পোইন্ট ২৪ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি। মহাক্কী মতুংদা রুশিয়াগী সর্গে কর্জাকিন পোইন্ট ২৩.৫ ফংলগা লৈরি। ৭শুবা অমদি ৮শুবা পোজিসনদা য়ুএসএগী ৱেসলি সো অমসুং রুশিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচি পোইন্ট ২২.৫ ফংদুনা লৈরি। অদুগা ৯শুবা পোজিসনদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর পোইন্ট ১৫.৫ ফংলগা লৈরি।

## ইটালিগী সেরি এ দা টোরিনোনা লাজিও পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, লা লীগাদা জিরোনানা ইস্পানিওলবু ১–০ দা থোইখ্রে

*মিলান। মাদ্রিদ, দিসেম্বর ১২ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংদা পাঙথোক্লিবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংদা ইটালিগী সেরি এগী ১৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা টোরিনোনা লাজিওবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, লী লাগীগী ১৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদনা জিরোনানা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে।



*লাজিও অমসুং টোরিনোনা শান্নখিবা সেরি এ গী ১৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

ঙসি সেরি এ গী টোরিনো অমদি লাজিওনা শান্নখিবা ১৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবগী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনখিবা মরম্না হাল্ফ অদু লোইশিল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা লাজিওগী শান্নরোই সিরো ইমোবাইলনা টোরিনোগী শান্নরোই অমদা নিয়ম লান্না ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ উত্তুনা মখা তাবা মেটচ শান্নবা য়াওহনখিদবদগী লাজিওগী শান্নরোই ১০ তমক মখা তানা শান্নখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদগী শান্নরোই অমা ৱাৎতুনা লৈরিবা লাজিওগী মায়কৈদা টোরিনোগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা টোরিনোগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা এলেক্স বেরেনগরনা মেটচকী অহানবাপাঞ্জল অদু চন্দুনা লাজিওবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা টোরিনোগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা টোমাস রিনকোনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা লাজিওবু ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অনী শোখরবা লাজিওগী শান্নরোই ১০ অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা শান্নরকপদগী শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা টিম অদুগী লুইস অলবর্টোনা শোখখিবা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোক্তুনা পাঞ্জল ১–২ দা শোখদুনা লৈখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদনা শান্নরোই অমা মশীং হেল্লিবা টোরিনোগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা সাইমোন ইদেরানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা লাজিওবু ৩–১ দা মাঙজিল থারবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা লাজিওগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হনে দাকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু টোরিনোনা লাজিওবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

সেরি এ লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্টর মিলাননা মেটচ ১৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ৪০ ফংদুনা অহানবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি। এসএসসি নাপোলিনা মেটচ ১৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩৯ ফংলগা অনীশুবা অদুগা জুবেন্টসনা মেটচ ১৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩৯ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা জিরোনানা ইস্পানিয়োলবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

জিরোনা অমসুং ইস্পানিয়োলনা শান্নখিবা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা জিরোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা দেবিদ টিমোর কোপোভিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ইস্পানিয়োলবু ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু গিরোনানা ইস্পানিয়োলবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

লা লীগাগী পোইন্ট টেবলদা বার্সেলোনানা মেটচ ১৫ শান্নবদা পুন্না পোইন্ট ৩৯ ফংদুনা মকোক্তা লৈবা ঙল্লি। চপ মান্নবা মেটচতা ভেলেন্সিয়া পোইন্ট ৩৪ ফংদুনা অনীশুবা অদুগা এটলেটিকো মাদ্রিদনা পোইন্ট ৩৩ ফংলগা অহুমশুবা মফম কনবা ঙল্লি।



*জিরোনা অমসুং ইস্পানিয়োলনা শান্নখিবা লা লীগাগী মেটচ অমা*